**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-03-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৩-০৩-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা নুমিৎ ৫ চুপা পাঙথোক্কদবা য়াওশং কুম্হৈ ঙসিদগী হৌরগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সাউদি অরাবিয়াগী প্রধান মন্ত্রি মোহমদ বিন সলমানগা নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

----

**য়াওশঙ (এল)ঃ** মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা নুমিৎ ৫ চুপা পাঙথোক্কদবা য়াওশং কুম্হৈ ঙসিদগী হৌরগনি। লৈকাই লৈকাইশিংদা ক্লবশিংনা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকবা থৌরাং তৌনরে। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা লৈকাই লৈকাইদা য়াওশং মৈ থাদুনা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমগা লোয়ননা কুম্হৈ অসি হৌদোক্কনি। অঙাংশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা নাকথেং

চৎপা, নুমিদাংগী মতমদা থাবল চোংদুনা কুম্মৈ অসি পাঙথোক্কনি।

য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা য়াওশঙগী পাউজেল পীরদুনা হায়- য়েনিং থা লাক্লমদাইগী মতমদা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিনা ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি উৎথোকপদা নত্তনা ঐখোয়গী মীয়াম মরক্তা পুনশিনবা অমসুং হরাউ নুংঙাইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা পীবা য়াওশঙগী পাউজেলদা হায়- য়াওশঙ অসি রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা নুংশিনবগী শক্তম উৎলিবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমক অমত্তা ওইনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী মাইকৈদা চংশিনমিন্নবা ঙম্বা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা অমসুং ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকপা ওইরনসু।

এম.এল.এশিং- টি.রোবিন্দ্রো, কে.মেঘচন্দ্র, থৌনাউজম বসন্তকুমার অমসুং কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন চত্থবগী মনুং চন্না চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস স্তেসননা কোনবা ওল্ড গোটহোল খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফংখি। মদুগী মনুংদা, কন্ত্রিমেদ শিঙ্গল বেরেল রাইফল ১, বোল্ট এক্সন রাইফল ১, কন্ত্রিমেদ গ্রেনেদ ১, তেলেস্কোপিক সাইট য়াওবা পোইন্ট টু টু রাইফল ১, পোম্পী মরু ১, শিঙ্গল বেরেলগী মরু ৪,

পোম্পী মোর্তার ১ অমসুং কন্ত্রিমেদ সেলস ৫ য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মোইরাংখোম লোকলাউবুংদগী মীওই অমা নাইন এম এম পিষ্টোল ১ গা লোয়ননা ফারে হায়রি।

**নাগা (এল)ঃ** নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন.পি.ও)গী প্রসিদেন্ট পিতর কুবানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা, রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্দুনা পুন্না চাওখৎমিন্ননবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিগী মাইকৈদগী, মহাকা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং থাজনবগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা পাঙথোক্লিবা অমসুং পাঙথোক্কে খনবা থবকশিংগী মতাংদা ফোংদোকখি। চাওখৎলবা মণিপুর অমা শেমগৎনবগীদমক রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমকা অমগা অমগা পাউ ফাওদোকদুনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সাউদি অরাবিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং ক্রাউন প্রিন্স মোহমদ বিন সলমানগা নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে। মদুদা, সাউদি অরাবিয়াদা নৌনা এত্তেক্ট চত্থখিববু লৈবাক অদুগী নিংখা তম্বা অমসুং অপুনবগী শক্তমদা শিংনবনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-অথুবা মতমদা লমদম অদুদা মহৌশাগী ফিভমদা হঙ্জিলহনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফমনি হায়না লুচিংবা অনিনা য়ানখি। শ্রী মোদিনা সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিংবু নিংথিনা য়েংশিনবীবগীদমক মোহমদ বিন সলমানবু থাগৎপসু ফোঙদোকখি। শ্রী মোদিনা ভহরেনগী নিংথৌ হমদ বিন অল খালিফাগসু

তেল্লিফোনগী খুথাংদা ৱারি শান্নখি। লুরবা তানফম অসিদা লৈবাক অদুগীদমক ভারতনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পি হায়না শ্রী মোদিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া কেনাদা সি.ঈ.ওশিংগী ফোরমগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত অমসুং কেনাদাগী মরক্তা গনতন্ত্র, খেৎনবা অমসুং চাউখৎ থৌরাংদা য়ুমফম ওইদুনা মাংলোমদা পুন্না চংশিনমিন্নরি। শ্রী মোদিনা হায়-মালেমদা ভারত অসি শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী মাংজিল থানা চংশিনবা ঙল্লিবা অসি লেপ্তুনা অওনবা থৌশিল কয়া পায়খৎপদগীনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা ক্লিন ইনর্জি, ক্রিতিকেল মিনরেলস অমসুং এ.আই য়াওনা মরুওইবা সেক্তর ৫ দা হেন্না তেংবাং পীননবা খন্নখি।

**রেলৱেজঃ** ইন্দিয়ন রেলৱেজনা হোলি কুম্মৈগা মরি লৈননা মীয়াম চথোক চৎশিনদা খুদোং চাহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। নোর্দণ রেলৱেনা দেল্লিগী মরুওইবা স্তেসনশিংদা কুম্মৈ অসিগী য়েংলগা পেসেঞ্জরশিংনা চথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কোকহন্নবা ঙসি অখন্নবা রেল গারি ২২ চেলহন্নবা থৌরাং তৌরি। হৌখিবা নুমিৎ ৫ নিদা দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই লাক্ষ ১৪ রোম রেল গারি তোংদুনা চথোক চৎশিন তৌখি। নোর্দণ রেলৱেগী ওফিসিয়েলশিংনা মীয়াম তিনবগী চাং য়েংলগা মতিক চাবা থবক পায়খৎলি।

সাডথ সেন্ত্রেল রেলৱেনসু হোলি কুম্মৈ মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎকনি। মমাঙ থাগী ২১ দগী ঙরাং ফাওবদা সাউথ সেন্ত্রেল রেলৱেনা অখন্নবা রেল গারি ২৬ সিকনদরবাদ, সরলাপল্লি অমসুং তিরুপল্লিদগী নিজামুদিন, রক্সোল, কোলম অমসুং ভুবনেস্বর য়াওনা মরুওইবা স্তেসনশিং ফাওবা চেলহনখি। রেলৱে মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হোল্লিগীদমক অখন্ননা চেল্লিবা রেলগারিশিংদা মাগী মাগী ময়ুমদা হল্লকপা শিন্মীশিং, মহৈরোই, মীচম মীয়ামদা শোইদনা সিট পীদুনা রেল গারি তোংহন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎলি। মমাঙ থাগী ২৫ দগী থা অসিগী ১৮ ফাওবদা হোলিগী

অখন্নবা রেল গারি ত্রিপ লিশিং ১,২৪৪ চেলহনগনি হায়রি।

**আফগান ঃ** আফগানিস্তান অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তসু উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লি। আফগানিস্তানগী ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়- পাকিস্তানগী রৱালপিন্দিদা লৈবা পাকিস্তান লান্মীগী মরুওইবা মফম কয়াদা নোংথক্তগী লান্দাবা হৌরে। মদুদা পাকিস্তানগী মাইকৈদা চাউনা অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি। পাকিস্তান্না আফগানিস্তানগী তালিবান সরকারবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চয়োল অমরোমগী মমাংদা লান লাউথোকখ্রবা মতুংদা পাকিস্তানগী মাইকৈদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কাবুল অমসুং কন্দাহারদা নোংথক্তগী লান্দাখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এক্সাইস দিপার্টমেন্টকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সি.এমনা গারি ৫ লোঞ্চ তৌখ্রে, শুপগী ষ্টাফ ১১৩ না চল্লাইবনা য়ু থিংবগী থবক খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদ্রি হায়বা পাউ অসি- সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি- মণিপুর মেল পাউচেদা- অনৌবা পিক অপ ভেহিকলনা য়ু থিংবগী দ্রাইভতা খুমাং চাউশিনবা ঙমহল্লগনি হায়না সি.এমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

মীয়ামদা থকবা ঈশিং ফংহন্নবগী খন্নখ্রে, চিফ মিনিষ্টরনা আই.দি.পিশিং উন্নদুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা ৱারি শান্নখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা- সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

জোমিশিংনা তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তাল্লকপগী মতাংদা দিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর দিখোনা জেট সি সিগা ক্লোস দোর মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়না- হুইয়েন

লানপাউদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙবা থেংনরে। পোকফমদনা- লোসি দিখোনা চুরাচান্দপুর চত্তুনা লৈখিদ্রবা বালতেগী ঈমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনখ্রে হায়না ফোঙলি।

কোইরেংগৈ এয়র ফিল্ড ঙাকশেন্দুনা থমবা প্রাইম মিনিষ্টরদা হায়জখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি- পিপলস ক্রোনিকলদা ফোঙবা থেংনরে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা য়োৎ পুরকপা ত্রক মৈ থাখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি- পোকফমগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

চিফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ অমসুং এম.এল.এ টি.ঐচ.রাধেস্যামনা লোক ভবনদা গভর্ণরগা উনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি- হুইয়েন লানপাউদা ফোঙলি।

১৫ শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ২০২৬ হৌদোকখ্রে, জর্নেলিষ্টশিংনা লৌরিবা থৌদাং মীয়ামা খঙমিন্নসি হায়না- রিমসকী দাইরেক্তর সুনিলকুমারনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেগী এঙ্কর কলমদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙবা থেংনরে।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুকেসনগী তামেংলোং ফিল্ড ওফিসনা শিন্দুনা স্পিসিয়েল আউটরিচ প্রোগ্রাম ওন নারি শক্তি এন্দ ভিক্সিট ভারত পাঙথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি- গানফিড মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

**--পাউ লোইজরে--**